# ম্যান্মার সেদো গভর্ণমেন্ট অমদি খুৎলায় পায়বা রেবেলশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনখ্রে




য়াঙোন, মে ৩০ (এজেন্সী) :

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা লৈবাক অদুদা মিলিটরিনা লৈঙাক পায়শিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মদুগী মায়োক্তা শেমখিবা নেস্নেল য়ুনিটি গভর্ণমেন্ট (এন য়ু জি) হায়রগসু খঙনরিবা সেদো গভর্ণমেন্ট অসিনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা খুৎলায় পায়বা রেবেলশিংগা পুনশিন্দুনা মিলিটরিগা থেংননবা শেম শাবা হৌখ্রে হায়রি।

লৈবাক অদুদা হান্না লৈরম্বা ওং সান সু চিগী নেস্নেল লীগ ওফ দেমোক্রেসি পার্টিগী লৈঙাক অদুবু ফেব্রুৱারী থাদা মিলিটরিনা ইন্থুরবা মতুং মিলিটরি জুন্তা লাকখিবদগী ম্যান্মারদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা লাক্লি অমদি লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মফম মফম কয়াদা মিলিটরিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি।

লৈবাক অদুদা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক ইন্থুখ্রবা মতুং হান্না লৈরম্বা লৈঙাক্তা য়াওরম্বা লো মেকরশিংনা পুনশিন্দুনা নেস্নেল য়ুনিটি গভর্ণমেন্ট শেমখিবনি অমদি অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা জুন্তাগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। অমরোমদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামগী মায়োক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কা হেনবা থৌওংশিং চথরিবা অদুগী মায়োক্তা লৈবাক অদুদা লৈরিবা খুৎলায় পায়বা ইথনিক গ্রুপশিংনা লাল হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ম্যান্মারগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈবা পুলিস আউটপোষ্টশিংদা এটেক্ট চথবা হৌখ্রবনি।

মদুগী মখা তারকপা ওইনা ঙরাং রেবেল গ্রুপ চিন নেস্নেল ফ্রন্ট (সী এন এফ) না নেস্নেল য়ুনিটি গভর্ণমেন্টকা য়ানা চে অমা খুৎয়েক পীনখিবগা লোয়ননা জুন্তাগী মায়োক্তা পুন্না খোঙজং চঙশিনমিন্নরগনি হায়না এন য়ু জিগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি। অদুমওইনমক সী এন এফকী মায়কৈদগীদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

সী এন এফ গ্রুপ অসি মরুওইনা খৃষ্টান চিন মাইনোরিটিশিংনা পুনশিল্লগা শেমখিবা গ্রুপ অমনি। ম্যান্মার মিলিটরিগা হায়রিবা রেবেল গ্রুপ অসিগী হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা সিজ ফয়ার এগ্রিমেন্ট তৌনখিবনি। মদুগী মতুং ঙরাং গ্রুপ অসিনা হান্না য়ানখিবশিং অদুগী মায়োক্তা অমুক হন্না খুৎলায় পায়নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। পনবা য়াবদি ম্যান্মারদা মিলিটরি গভর্ণমেন্ট লাকখ্রবা মতুং অর্মিনা চথখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খোঙজংলোয় ৮০০ হেন্না শিখ্রবনি অমদি কয়া অমনা হৌজিকসু ফাজিন্দুনা লৈরিবনি।

# টালিবান ফাইটরশিংনা কাপ্পকখিবা মোটার বোম অমা লুহোংফমদা তাশিন্দুনা পোকখায়বদগী ৬ শিরে

কাবুল, মে ৩০ (এজেন্সী) :

অফগানিষ্টানগী কোনুং কাবুলগী অৱাংথংবদা লৈবা প্রোভিন্স অমদা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা টালিবান ফাইটরশিংনা কাপ্পকখিবা মোটার বোম তাশিন্দুনা পোখায়খিবগী থৌদোক অমদা নুপী অমদি চহী নৌরিবা অঙাং য়াওনা মীওই ৬ শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, থৌদোক অদু হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা থোকখিবনি। টালিবান ফাইটরশিং অদুনা কাপিসারা প্রোভিন্সতা লৈবা অর্মিগী চেক পোইন্ট অমা তন্না মোটার বোম অদু কাপশিল্লকখিবনি। অদুবু লাইবক থিবদি মখোয়না টর্গেট তৌরিবা মফম অদুদা পানবগী মহুত্তা চেক পোইন্ট অদুগী মনাক নক্লা লৈবা মফমদা পাঙথোকপা লুহোংফম অমদা তাশিন্দুনা পোখায়খিবনি। পোখায়বগী থৌদোক অদুদা লুহোংবা য়াওবা লাকখিবা মীওই ৬ শিখিবগা লোয়ননা ৪ না অশোক অপন নংখি।

কাপিসা প্রোভিন্সকী গভর্ণরনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা টালিবান ফাইটরশিংগী কা হেনবা থৌওং অদুবুসু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। টালিবান ফাইটরশিংনা অফগানদা ঈৎ তপ্পা পুরক্নবা হোৎনবদা চাওনা অকায়বা পীরি হায়নসু গভর্ণর অসিনা মরাল শিরক্লি।

অমরোমদা লুহোংফমদা মোটার বোম কাপশিন্দুনা মরাল লৈজদবা মীওইশিং হাৎখিবগী থৌওং অদু টালিবান ফাইটরশিংননি হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা ক্লেইম তৌরবসু টালিবাননদি থৌদোক অদুগা মখোয়গা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোরক্লি। টালিবানগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা তংদু লৈতাবা পুন্সি মহিং অমা লাক্নবা গ্রুপ অসিনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদু টালিবানগা মরী লৈনদে। মালেমগী লৈবাকশিংদা টালিবানবু লান্না উহন্নবগীদমক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা থৌওইনা চথখিবা থৌদোক ওইরম্বা য়াই হায়রি।

ঙরাং থোকখিবা মীশি মীনা য়াওবা থৌদোক অদু টালিবান ফাইটরশিংনা থোকহনবনি হায়না অফগান ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা মরাল শিরকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা থা অমরোম অসিদা টালিবান ফাইটরশিংনা চথখিবা তোঙান তোঙানবা থৌওংশিংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদবা মীওই ২৫০ হাৎখি অদুগা ৫০০ হেন্না অশোক অপন নংহনখি।

টালিবান ফাইটরশিংনা এটেক্টশিং অদু মখোয়না চথদে হায়না ফোঙদোক্লিবা অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থাজবা ঙমদে। মীয়ামদা অতন্নবা টর্গেট তৌদ্রবসু মখোয়না থাক্লম্বা বোমগী লাংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদবা মীওই কয়া শিহল্লি। ঙরাংসু লম্বী নাকলদা হান্না প্লান তৌদুনা থল্লম্বা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা য়ুনিভর্সিটি লেকচরর য়াওনা মীওই মরী শিহনখি অমদি কয়া অমনা শোকহনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি লৈবাক অদুদা হান্না দিপ্লোই তৌদুনা লৈরম্বা য়ু এস ট্রুপশিং য়াওনা অতোপ্পা ফোরেন ট্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং অফগানদা টালিবাননা টেরোরিজমগী ওইবা থবক থৌওংশিং চথবগী চাং হেনগৎলক্লি।



## মাঙখিবা মী থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথরিঃ ফায়র সর্ভিস

জকারটা, মে ৩০ (এজেন্সী) :

হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা ইন্দোনেসিয়াগী মোলুকা সিগী শরুক্তা মাঙখিবা মীওই অদু থিবগী থবক হৌজিকসু মখা তানা চথরি হায়না লোকল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজি কফাওবগী ওইনা মীওই ২৭৪ রেস্কু তৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

মোলুকা সিগী শরুক্তা পেসেঞ্জর পুবা ফেরি কে এম ইন্দাহগী শরুক খরদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখিবগা লোয়ননা মৈ অদু জহাজ অদুগী মফম অয়াম্বদা থুনা য়াংনা শন্দোরকখি। মৈ চাকপগী থৌওং অদু উবদা জহাজ অদুদা তোংলম্বা মীওইশিং অকিবা পোক্লখিবগা লোয়ননা মদুদা তোংলিবা পেসেঞ্জরশিং অদু লাইফ জেকেট লিত্তুনা ঈশিংগী ঈমায়দা চোংথনখি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা ফয়র সর্ভিসকী মীওইশিং মফমদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চথখি। রেস্কু টিমশিং অদুনা হৌজিকফাওবদা মীওই ২৭৪ তেক্ত-কায়দনা কনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখোয়শিং অদু মনাক নকপা খুঙ্গং অমদা পুখত্তুনা থমখ্রে। অদুবু জহাজদুদা তোংখিবা মীওই অমদি হৌজিকসু থিবা ফংদনা লৈরি হায়না ওফিসলশিংনা মখা তারি।

## নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌদোক্তা মীওই ২ শিরে, ২০ শোক্লে



মিয়ামি, মে ৩০ (এজেন্সী) :

মীওই অহুমগী গেং খুৎপু অমনা মিয়ামিগী ফ্লোরিদাদা কনসর্ট অমা পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ লোম অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না লোকল পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মিয়ামি-দাদে পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা, নিসান কম্পনিগী এস য়ু ভি অমদা তোংদুনা লাকখিবা মীওই অহুম্না মীয়াম্না তিনবা মফম অদুদা খাল্লবা মতুং নোংমৈ কাপ্পগী থবক অদু চথখিবনি। মীয়াম তন্না নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লম্লবা মতুং মখোয় অহুম গাড়ি অদু তোংদুনা মফম অদুদগী থুনা য়াঙনা চৎখিবনি হায়রি।

থৌদোক থোকপগী পাউ হেক ফংবগা মফমদুদা অহেনবা পুলিস পর্সোনেলশিং চঙশিনখি। পুলিসনা মফম অদু য়ৌখিবা মতমদা মীওই অনীদি হান্না শিদুনা লৈরম্লে। অশোকপশিং অদুসু পুলিসনা খুদক্তা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখি। থৌদোকসিদা চেন্নরিবশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীগনি হায়না ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

## ঈশিং ঈচাওনা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা ইমর্জেন্সি লাওথোকখ্রে

খ্রাইষ্টচর্চ্চ, মে ৩০ (এজেন্সী) :

ন্যু জিলেন্দগী কেন্টবরি প্রোভিন্সতা অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা মফম অদুদা লৈবা মীওই কয়া ময়ুম মকৈ থাদোকহনখিবগা লোয়ননা য়ুম লিশিং অমরোম হেন্না খুদোংথিবা থোক্লবা য়াবনা মরম ওইরগা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এক্টিং ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট মিনিষ্টর ক্রিস পাফোইনা ফোঙদোকখিবদা, কা হেন্না নোং চুবদগী ঈচাওনা চৈথেং পীরিবা অমদি পীরকপা য়াবা মফমশিংদা মহাক মশা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। কেন্টবরি প্রোভিন্সকী ওইনা হৌজিক হৌজিক য়ুম ৩০০০ রোম ঈশিং ঈচাও অসিনা অকায় অতোয় থোকহল্লবা য়াবগী অকিবা লৈ। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী অর্মিশিংনা মফমদুদগী মীওইশিং পুথোকপগী থবক হৌখ্রে।

প্রোভিন্স অদুদা হৌজিক চুরিবা নোং অসি মখা তানা চুরবা য়ারি। হয়েংফাওবদি প্রোভিন্স অসিদা অকনবা নোং চুখিগনি হায়না ষ্টেট মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি। অকনবা নোং মখা তানা চুরবা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা হৌজিকফাওবগী ওইনা প্রোভিন্স অদুদগী মীওই ৪০০০ হেন্না অতোপ্পা মফমদা পুথোকখ্রে। লেমহৌরিবা মীইশিংসু পুথোক্লবা হোৎনরি।

অর্মি অমদি ফয়র সর্ভিসকী মীওইশিংনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্না মপুং ফানা মতেং পীনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অপিল তৌরকপগা লোয়ননা মীয়াম্নসু মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা মফম অদুদা খুদক্কী ওইনা ইমর্জেন্সি লাওথোকখিবা অদু মীয়ামগী য়েংলগা লাওথোকখিবনি। অকনবা নোং অমদি ঈশিং ঈচাওনা মীশি মীনা থোকহল্লক্ত্রিঙৈদা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎপদা মতেং ওইনবগীদমক ইমর্জেন্সি লাওথোকখিবনি হায়রি।



## লৈবাক ৩দগী লাকপা মীওইশিং চঙলকপদা অথিংবা মখা তানা থমখ্রে

রোম, মে ৩০ (এজেন্সী) :

মালেমগী মফম খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্নবা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ইটলিনা ইন্দিয়া, বাংলাদেশ অমসুং শ্রিলঙ্কাদগী লাকপা মীওইশিং লৈবাক অদুদা চঙলকপদা মখা তানা অথিংবা থমখ্রে হায়না ইটলিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় রোবার্টো স্পর্নজানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অহুম অসিদগী মরু ওইনা ইন্দিয়াদগী ইটলিদা লাকপদা হান্না থমখিবা অথিংবা অদু ঙসি লোইরে। অদুবু ইন্দিয়াদা মখা তানা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপা লেপ্তবনা মরম ওইরগা মফম অসিদগী লাকপা মীওইশিং চঙলকপদা মথং থাগী ২১ ফাওবা অথিংবা থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। ইন্দিয়াদা হন্দক নৌনা থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়ন্ট বি.১.৬১৭ অসি হান্না লৈরম্বা ভেরিয়ন্ট অদুদগী মপাঙ্গল হেন্না কনবা অমদি থুনা য়াঙনা শন্দাকপা ঙম্বনা মরম ওইরগা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি। ইন্দিয়াদা নৌনা থেংনরকখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিনা মালেমগী লৈবাক ৫৩দা চৈথেং পীবা হৌখ্রে হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ওফিসল ওইনা লৈবাক ৫৩দা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিনা চৈথেং পীখ্রে হায়না লাউথোকখ্রবসু অনওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্দি পুন্না লৈবাক ৬০দা চৈথেং পীখ্রে হায়রি।

## য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর লুহোংখ্রে

লন্দন, মে ৩০ (এজেন্সী) :

ব্রিটিস প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন অমদি মহাক্কী ফ্যান্সি কেরি সাইমন হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ৱেষ্টমিনষ্টর কেথেদ্রেলদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা লুহোংখ্রে হায়রি।

য়ু কেগী লুচিংবা অসিনা মহাক্কী লুহোংবগী পাউ মাঙজৌননা মীয়ামদা খঙহনখিবা লৈতে। খুদক্কী ওইনা শুপ্ন তগী মীওই ৩৩খক পুল্লগা কেথেদ্রেল অদুদা মহাক লুহোংখিবনি। ব্রিটেন্দা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা মতুং লুহোংবা অসি মহাক্না অনীশুবা ওইরে। সেপ্পুরি অনীরোমগী মমাঙদা হায়বদি, কুমজা ১৮২২দা মতমদুদা ব্রিটেনদা লৈঙাক পায়রম্বা রোবার্ট জেনকিন্সনসু পাৱর পায়রবা মতুং লুহোংখিবনি।

মশাগী চহী ৫৬ লোম শুরবা প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সননা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯গী অথিংবনা মীওই ৩৩দগী হেন্না থৌদোক ৱাথোক থোকপদা পুনবা য়াদে। মদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী লুহোংবা অদু য়াম্না চম্না পাঙথোকখিবনি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 170,696,150 | +77,892 | 3,550,234 | +2,051 | 152,851,825 | 14,294,091 |
| 1 | USA | 34,035,318 | | 609,421 | | 27,818,961 | 5,606,936 |
| 2 | India | 27,894,800 | +1,328 | 325,998 | | 25,454,320 | 2,114,482 |
| 3 | Brazil | 16,471,600 | | 461,142 | | 14,869,696 | 1,140,762 |
| 4 | France | 5,657,572 | | 109,358 | | 5,312,105 | 236,109 |
| 5 | Turkey | 5,235,978 | | 47,271 | | 5,094,279 | 94,428 |
| 6 | Russia | 5,063,442 | +9,694 | 121,162 | | 4,677,870 | 264,410 |
| 7 | UK | 4,480,945 | | 127,775 | | 4,286,249 | 66,921 |
| 8 | Italy | 4,213,055 | | 126,002 | | 3,845,087 | 241,966 |
| 9 | Argentina | 3,732,263 | | 77,108 | | 3,288,467 | 366,688 |
| 10 | Germany | 3,684,672 | | 89,008 | | 3,478,600 | 117,064 |
| 11 | Spain | 3,668,658 | | 79,905 | | 3,424,911 | 163,842 |
| 12 | Colombia | 3,363,061 | | 87,747 | | 3,141,549 | 133,765 |
| 13 | Iran | 2,902,094 | +8,876 | 79,939 | | 2,441,528 | 380,627 |
| 14 | Poland | 2,871,950 | +579 | 73,738 | | 2,638,222 | 159,990 |
| 15 | Mexico | 2,411,503 | +2,725 | 223,455 | | 1,924,865 | 263,183 |
| 16 | Ukraine | 2,201,472 | +1,703 | 50,472 | | 2,036,148 | 114,852 |
| 17 | Peru | 1,951,651 | | 69,202 | | 1,720,665 | 161,784 |
| 18 | Indonesia | 1,816,041 | +6,115 | 50,404 | | 1,663,998 | 101,639 |
| 19 | Czechia | 1,661,159 | +222 | 30,104 | | 1,617,517 | 13,538 |
| 20 | South Africa | 1,659,070 | | 56,363 | | 1,554,184 | 48,523 |
| 21 | Netherlands | 1,644,699 | | 17,615 | | 1,470,979 | 156,105 |
| 22 | Canada | 1,376,734 | | 25,478 | | 1,313,448 | 37,808 |
| 23 | Chile | 1,369,756 | | 29,047 | | 1,295,646 | 45,063 |
| 24 | Philippines | 1,223,627 | +7,058 | 20,860 | | 1,149,010 | 53,757 |
| 25 | Iraq | 1,193,608 | | 16,334 | | 1,107,101 | 70,173 |
| 26 | Romania | 1,077,584 | +158 | 30,276 | | 1,039,173 | 8,135 |
| 27 | Sweden | 1,068,473 | | 14,413 | | 959,065 | 94,995 |
| 28 | Belgium | 1,059,763 | +1,860 | 24,921 | | 951,215 | 83,627 |
| 29 | Pakistan | 918,936 | +2,697 | 20,736 | | 839,322 | 58,878 |
| 30 | Portugal | 848,213 | | 17,023 | | 808,557 | 22,633 |
| 31 | Israel | 839,454 | +1 | 6,408 | | 832,663 | 383 |
| 32 | Hungary | 804,382 | +350 | 29,728 | | 696,029 | 78,625 |
| 33 | Bangladesh | 797,386 | | 12,549 | | 737,408 | 47,429 |
| 34 | Japan | 741,674 | +3,599 | 12,920 | | 671,772 | 56,982 |
| 35 | Jordan | 735,139 | | 9,443 | | 713,902 | 11,794 |
| 36 | Serbia | 712,046 | | 6,844 | | 694,492 | 10,710 |
| 37 | Switzerland | 693,023 | | 10,806 | | 645,322 | 36,895 |
| 38 | Austria | 644,586 | +379 | 10,596 | | 628,312 | 5,678 |
| 39 | UAE | 569,073 | +1,810 | 1,677 | | 548,785 | 18,611 |
| 40 | Malaysia | 565,533 | +6,999 | 2,729 | | 484,787 | 78,017 |
| 41 | Nepal | 557,124 | +3,702 | 7,272 | | 440,955 | 108,897 |
| 42 | Lebanon | 540,132 | | 7,718 | | 517,859 | 14,555 |
| 43 | Morocco | 518,868 | | 9,138 | | 506,740 | 2,990 |
| 44 | Saudi Arabia | 448,284 | | 7,334 | | 430,937 | 10,013 |
| 45 | Ecuador | 424,741 | | 20,485 | | 366,425 | 37,831 |
| 46 | Bulgaria | 418,221 | | 17,657 | | 380,359 | 20,205 |
| 47 | Greece | 400,395 | | 12,024 | | 366,490 | 21,881 |
| 48 | Belarus | 393,807 | +1,178 | 2,841 | | 384,933 | 6,033 |
| 49 | Slovakia | 389,690 | +102 | 12,339 | | 375,188 | 2,163 |
| 50 | Kazakhstan | 385,144 | +1,549 | 3,935 | | 353,545 | 27,664 |
| 51 | Panama | 377,428 | | 6,369 | | 364,783 | 6,276 |
| 52 | Bolivia | 366,714 | +2,144 | 14,435 | | 291,325 | 60,954 |
| 53 | Croatia | 356,141 | +186 | 8,014 | | 345,823 | 2,304 |
| 54 | Paraguay | 350,613 | | 8,987 | | 288,232 | 53,394 |
| 55 | Georgia | 343,603 | +723 | 4,757 | | 326,423 | 12,423 |
| 56 | Tunisia | 343,374 | | 12,574 | | 301,273 | 29,527 |
| 57 | Azerbaijan | 333,723 | | 4,903 | | 323,617 | 5,203 |
| 58 | Costa Rica | 314,102 | | 3,962 | | 242,019 | 68,121 |
| 59 | Palestine | 307,838 | | 3,492 | | 300,524 | 3,822 |
| 60 | Kuwait | 306,717 | | 1,764 | | 291,521 | 13,432 |

# কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে




ব্রাজিল, মে ৩০ (এজেন্সী) :

ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট জয়র বোলসোনারোনা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকা মরী লৈননা পাখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট অসিগী ময়োক্তা ঙসি মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ব্রাজিলগী টাউন রিও দি জনৈরোদা ঙসি ফেস মাস্ক উপ্পা মীওই ১০,০০০ রোম হেনবনা লম্বীদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুনা প্রসিদেন্ট বোলসোনারোনা ব্রাজিলগী মীয়াম হাৎনবা হোৎনরে অমদি বোলসোভাইরস লাপ্না চৎখ্রো হায়বা খোল্লাওশিং লাওখি। রিও দি জনৈরো নত্তবা অতোপ্পা লৈবাক অদুগী অচৌবা সিটি কয়াদসু মশিং য়াম্লবা মীয়াম থোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি।

থা অসিগী অঙনবদগী হৌরগা ব্রাজিলদা লৈরিবা মীয়াম্না প্রসিদেন্ট বোলসোনারোনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌওংশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। বোলসোদনারোনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎপু য়াম্না লায়না লৌবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোকপগী থবকশিংসু মপুং ফানা পাঙথোক্ত্রে হায়না লৈবাক অদুগী মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পোজিটিব ওইরবা মীওইশিং মপুং ফানা ট্রিটমেন্ট চথবিদ্রে হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা মীওই ৪,৬১,০০০ হেন্না শিহনখ্রে। মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা মী খ্বাইদগী হেন্না শিহনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ব্রাজিলনা অনীশুবদা লৈরি।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা বোলসোনারো লৈঙাক্না ভেক্সিননেসনগী থবক য়াম্না তপ্না পাঙথোক্লি। মীপুম খুদিং কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপকনি হায়না লৈঙাক্না লাওথোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীশিংগী চাদা ৩০ য়ৌনা ভেক্সিন কাপত্রি। মীয়াম্না খম থেংনা ৱারিবা অসি লুচিংবা অমা ওইনা বালেসোনারোনা উবা ঙমদে। মহাক লৈবাক অসিগী লুচিংবা ওইবদা মতিক চাদে অদুনা প্রসিদেন্ট ফম থাদোক্নদবনি হায়রি। পনবা য়াবদি কোভিদ-১৯ লায়নানা মী মশিং খ্বাইদগী হেন্না শিহল্লিবা লৈবাক অসি য়ু এসনি।

## নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১ শিরে ৪ শোক্লে

ওটাৱা, মে ৩০ (এজেন্সী) :

টোরোন্তোগী পিল রিজন মনাক্তা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই ১ শিখিবগা লোয়ননা ৪ অশোক অপন নংখ্রে হায়না লোকল পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা মশক খঙদবা মীওই অমনা মী য়াম্না তিনবা পিল রিজনদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী মীওই ১ শিখিবগা লোয়ননা ৪ শোকখিবনি। থৌদোক্তুনা শোক্লবা মীওই ৪ অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চথরি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তুনা চেন্নরিবা মীওই হৌজিকফাওবগী ওইনদি ফাবা ঙমদ্রি। অথুবা মতমদা ফানবা হোৎনরি হায়রি।